# মহৌশাদগী লৈজরকপা ব্লেক আর্টশিং লান্না শিজিন্নরুবনা মমৈদা অৱাবা কয়া নঙহৌই উৎপা ফিল্মনি 'অমম্বা শায়োন'

একেন সিজগুরুময়ুম

মণিপুর ফিল্মগী খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম কম্পেনি কয়ানা তোঙান তোঙানবা মখলগী ফিল্ম কয়া পুথোক্লদুনা মণিপুর মীয়ামদা ফিল্মগী ওইবা মহাও পীদুনা লাক্লি। মণিপুর ফিল্মনা ব্লেক এণ্ড হ্বাইট মতমদগী হৌরগা কলর ফিল্ম ফাওবদা সেল্লুলোইদ ওইনা পুথোক্লম্বা মতম অদু লোয়খিদুনা অনৌবা টেক্নোলোজিদা দিজিটেল ফোর্মেটকী কলর ফিল্ম কয়া য়ং য়ং লাওনা পুথোক্লুরি।



পুথোক্লরিবা ফিল্মশিং অসিদা মণিপুরগী নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়ানা মপান লমগী ফিল্ম কয়াগা মান্নবা থাক্তা চৎপা ঙম্নবা অনৌবা মওংগী ফিল্ম কয়া অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। ফিল্ম কয়া অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহনখ্রে। মণিপুরদসু নহা ওইরিবা দিরেক্টর কয়ানা মণিপুরী ফিল্মদা হোররগী মহাও অমা পীননবা কন্না চঙশিল্লক্লি। চঙশিল্লক্লিবা খোঙচৎ অসিদা অনৌবা দিরেক্টরশিংনা ফিল্মদা সাইন্স ফিক্সন, থ্রিলর অমদি হোরর ফিল্ম কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা উহল্লি। হোরর ফিল্ম হায়রগা মীয়াম্না হেন্না পামনরকপগী মতম অমসু ওইরক্লে। মরমদি মপাল লমগী হোরর ফিল্ম কয়া লমদম অসিগী মীয়াম্না য়েংদুনা লাকখ্রে। ঙল্লিঙৈ মতম অসিদা মপাল লমগী ফিল্ম কয়া লমদম অসিগী সিনেমা হাউসশিংদা উৎলিঙৈ মতমদা হোল্লিবুদকী ওইবা হোরর ফিল্ম কয়া অমদি বোল্লিবুদকী ওইবা হোরর ফিল্ম কয়া য়েংখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা মীয়ামদা হোরর ফিল্মগী মহাও নীংথিনা পীবা ঙমখিবা ফিল্ম অসি প্রেমনা পুথোকপা জিতেন্দ্র নিঙোম্বগী ৱারিদা য়ুমফম ওইবা 'থোইচা' নি। মসিগী মখা তারকপদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হোরর ফিল্ম খরা পুথোকখ্রে হায়বা য়াই। পুথোক্লিবা হোরর ফিল্মগী মনুংদা 'থোইচা' গী অনীশুবা শরুক সু মীয়াম্না য়েংনখ্রে, অদুগা মেদিয়া মুদসনা পুথোকপা মণিপুরগী পুৱারিদা য়ুমফম ওইবা 'হিয়াং অথৌবা' হায়বা হোরর ফিল্ম কয়া পুথোক্তুনা মীয়াম্না হোরর ফিল্মগী মগুন লেপখ্রবনি।

হৌজিকসু মখা তানা হোরর ফিল্ম কয়া পুথোক্লুরি অমদি পুথোক্লবা হোৎনরি। হোৎনরিবশিং অসিগী মনুংদা লৈমকোল আর্টনা পুথোকপা 'অমম্বা শায়োন' হায়বা অসিসু চহী অসিগী ওইনা পুথোকপা ফিল্মশিংগী মনুংদা মগুন লৈবা হোরর ফিল্ম অমা ওইরবা য়াই। ফিল্ম অসি চৎলিবা থা অসিগী দিসেম্বর ৭ অমদি ১৫ দা ভৈগ্যচন্দ্রা ওপন ইয়র থিয়েটর অমদি মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী ওদিটোরিয়মদা মীয়ামদা লাপ্থোকখ্রে।

লৈমকোল আর্ট মমাংদা ফিল্ম অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে। অহানবা ওইনা পুথোকখিবা ফিল্ম অদুনা সোসিয়েল প্লেদা অমদি সোসাইটি অসিদা নহা ওইরিবশিংনা লৌরিবা অমদি মখোয়গী নুংশি নুংওনদা য়ুমফম ওইবা ফিল্মনি। মমিংনা 'নোংমদি শোইদনা' হায়না থোনখি। ফিল্ম কম্পেনি অসিগী অনীশুবা ওইনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসি হোরর পিকচরনি, মমিংনা 'অমম্বা শায়োন' হায়না মীংথোন্দুনা মীয়ামদা লাপ্থোলক্লি।

ফিল্ম অসি থাইনগী ওইবা ৱারিদা য়ুমফম ওইরগা হৌজিক লৈরিবা করেন্ট ইয়র অসিদা পুশিন্দুনা উৎনবা হোৎনবা ফিল্ম অমনি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিগী অহৌবা শরুক্কা অরোয়বা শরুক্কা য়েংনরুবদা সেকেন্দ পার্টনা হেন্না হোররদা চঙশিনবা ফিল্ম অমনি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর অমদি রাইটর ওইরিবা অসি নহা ওইরিবা ফিল্মদা নৌনা খুৎ থারকপা মীশক অমনি। মহাক্না মমাংদা দিরেক্সন পীদুনা মীয়ামদা ইং ২০১০ দা উৎখিবা ফিল্ম অসি ইপাক্তুদা হায়না মীংথোনবা সাইন্স ফিক্সন্দা য়ুমফম ওইবা ফিল্ম অমনি।

দিরেক্টর অসিনা হন্দক্কী ফিল্ম অসিদা অয়াম্বা শরুক্তা খুৎ থারি। ফিল্ম অসিদসু মহাক্না অপীকপা রোল মচা অমদা এক্ট তৌরি। জোন্সন ময়াংলম্বম্না দিরেক্সন পীদুনা পুথোক্লিবা 'অমম্বা শায়োন'



হায়রিবা ফিল্ম অসিদা পীরিবা পাউজেলদি কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী কান্ননবা য়েংদুনা মহৌশা অমদি পৃকিতিগী খোঙচৎপু শিংনরুরবদি মদুগী দশা খুদিংমক মঙোন্দা হঞ্জিল্লি হায়বা কয়া অসি উৎপা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিদা মহৌশাবু শিংনদুনা মহাক্কী ওইজবা থিরিবী মীওই অমগী শক্তমদা ওল ইন্দিয়াগী ফিল্মগী চাংদম্নবদা বেষ্ট সপোর্টিংগী মনা ফংলকখ্রবী তোম্থোইঙম্বীনা শাখি। তোম্থোইঙম্বীবু মীয়াম্না হেন্না খঙনখিবা অসি মহাক্কী শকহেনবা ভুট অমদি থোইচাদনি। শকহেনবা ভুট হায়বা ফিল্ম অসিদা মহাক্না মেইন রোল লৌখিবগুম্না থোইচাদসু মেইন রোল কুমখি। জোন্সন মোইরাংথেমনা পুথোক্লিবা 'অমম্বা শায়োন' হায়বা ফিল্ম অসিদা তোম্থোইনা ভিল্লিয়নগী রোল লৌরি।

মহাক্না লৌরিবা রোল অসিদা কয়ামুক য়াম্না চুশিন্নবা অমদি চুশিন্নদবা হায়বা অসি জোন্সনগী ফিল্ম অসি নত্রগসু 'থোইচা'গী সিন অমদগী মীয়াম্না হেক্তমক খঙবা ঙমগনি। জোন্সন মোইরাংথেম্না হোরর পীকচর অসিগীদমক তোম্থোইবু হায়নবা কাষ্ট দিরেক্টর ওইরিবা কমলা হাওরকচমদা পাউতাক পীরবা মতুংদা ফিল্ম অসিগী কাষ্ট দিরেক্টর ওইরিবা কমলা হাওরকচমনা প্রদ্যুসরদা ফিল্ম অসিগী ৱারি অসি নীংথিনা পারবা মতুংদা তোম্থোইবা মখোয়গী নৌনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিদা এক্ট তৌনবা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখি।

ঙসি ফাওবদা পুথোক্লিবা ফিল্মশিংদা তোম্থোইনা তোঙান তোঙানবা রোল কয়াদা এক্ট তৌদুনা লাকখি। ময়াম অসিগী মনুংদা তোম্থোইনা খ্বাইদগী পাম্না এক্ট তৌবা অসি হোরর পিকচরদা মীনা তৌবা ঙম্লোইদবা মওংদা এক্ট তৌবা অসি মহাক্কী অপাম্বা অমা ওইনা থম্লি।

ফিল্ম অসি মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎতা অনৌবা মওংদা পুথোক্লবা জোন্সন ময়াংলম্বমনা তোঙান তোঙানবা মওংগী ইফেক্ট কয়া শিজিন্নদুনা লাক্লি। ফিল্ম অসিদা জোন্সন ময়াংলম্বম্না হোল্লিবুদতা চৎনরিবা ট্রেন কয়া অমসু মণিপুরী ফিল্মদা পুশিন্নবা হোৎনরি হায়বা য়াই। জোন্সন ময়াংলম্বমগী অহানবা ওইনা পুথোকপা 'ইপাক্তুদা' হায়বা ফিল্ম অদুদগী হৌনা অনৌবা টেক্নোলোজিগী মতেং কয়া শিজিন্নদুনা 'অমম্বা শায়োন' হায়বা ফিল্ম অসিদসু টেক্নোলোজি কয়া অসি শিজিন্নদুনা পুথোকপা হোরর পিকচর অমনি।

ফিল্ম অসিগী অহানবা শরুক্তা হোররগী ওইবা থোইদোকপা সিন কয়া উবা ফংলি অদুবু ফিল্ম অসিগী অরোইবা শরুক্তদি হোররোমদা হেন্না খুৎ থাদুনা শিজিন্নবা থেংনরকখি। ফিল্ম হায়বা অসি ফিক্সননা থনবা শংসার অমনি। মসিদা চুম্মী নত্রগা লাল্লি হায়না য়েৎনরুবগী আর্থ লৈরোই। মরমদি ফিকসন হায়বা অসি ফিল্ম অদুগী ষ্টোরি রাইটর অদুগী অমদি দিরেক্টরগী পুথোক্লিবা অমদি উৎনিংলিবা অদুগী মখা পোল্লি। হৌখ্রবা মতম অমদা নুংশিনরম্বা পাখঙ অমগা লৈশা অমগা মখোয় অনীগী মনুংদা নুপা অদুনা শিখ্রবা মতুংদা নুপী অদুনা মহাক্কী অপাম্বা অদু থুংনবা হোৎনবদা মতম অদুদা লৈরম্বা ব্লেক আর্টকী মতেং লৌদুনা মহাক্না পামজবা নুপা অদুনা পোক্লকপা মপোক অমদা মহাক্না পামজরিবা অদুগা থুংননবা হোৎনবা কয়া অসি ওইথোকপা য়াই নত্রগা ওইথোক্তবা য়াই।

মথক্তসু থমজখ্রে ফিল্ম মেদিয়ম হায়বা অসি ফিক্সননা থনবনিনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসি ফিক্সননা হেন্না ৱাংনা লৈবনা য়েৎনরুবগী কান্নবা থোইনা ফংলোই। অদুমওইনমক ফিল্ম অসিবু য়েংনিংবা মীওই কয়া অমদি লৈরমগনি মরম অসিনা মার্কেট ফংগনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসি হোল্লিবুদকী হোরর ফিল্ম কয়াগী মহাও নীংথিনা লৌখ্রবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। মখোয়না লমদম অসিগী হোরর ফিল্ম করম্বা কান্দা পুথোরক্কনি হায়না খন্নরম্বা অদু ঙসিদি মণিপুরী হোরর ফিল্ম কয়া অনৌবা দিরেক্টর কয়ানা পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহনবা হৌরবনিনা মখা তানা পুথোরকপা হোরর ফিল্ম কয়াদসু মীয়াম্না মীৎয়েং থম্নরি।





'অমম্বা শায়োন' হায়বা ফিল্ম অসিদা তোঙানবা মখলগী ট্রিটমেন্ট কয়া শিজিন্নরবসু লমদম অসিগী চৎনরিবা লিচৎকা খেৎনবা খরদি অদুমক উবা ফংই। মসি লমদম অসিদা হৌজিক চৎনরব্রা নত্রগা চৎনদ্রিব্রা হায়বা অদু নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙমদে। ফিল্ম অসিগী শরুক অমদা লমদম অসিগী অরিবা ব্লেক আর্ট কয়া শিজিন্নদুনা মীওই অমনা নীংথৌগী শাগৈ–নাতৈবু ঙাক শেন্নবা হোৎনখি। মদুনা মরম ওইদুনা মহাক্কী নুংশিজবা অমা কায়নখিবদগী কায়না মৈশা খাঙমদ্রবী নুজা অমনা ব্লেক আর্ট অসিবু অরানবা মওংদা শিজিন্নরকপা কয়া অসি উৎপা ফিল্মনি। অদুমওইনমক ফিল্ম অসিদা শিজিন্নরিবা ট্রিটমেন্ট খরদি দিরেক্টরনা শিজিন্নবা মতমদা লমদম অসিগা চুশিন্নব্রা হায়বা অদুদি য়েংশিলহৌদবা মাল্লি।

লমদম অসিদা চৎনরিবা মওংগী মতুং ইন্না মীওই অমদা তোঙানবা স্পিরিট অমা চঙলকপা মতমদা মায়বা মায়বী কৌদুনা মঙোন্দা চঙলিবা স্পিরিট অদুবু তাম্থোক্লবা হোৎনৈ। কনাগুম্বা মীওইনা মখল অমগী অনাবনি হায়দুনা লায়েংবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু তুংদা মায়বা মায়বীনা তায়নবা য়াবা মফমদা তায়নদুনা মহাক্কী মশাদা চঙলিবা তোঙানবা স্পিরিট অদুবু তাম্থোকখিবা অমদি অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্তনবা থৌ তৌবনচিংবা কয়া অমা ঙসিসু চত্থদুনা লাক্লি। মচৎ অসি হৌজিক্কী চৎনরিবা সোসাইটি অসিদা চেঞ্জ তৌখ্রব্রা নত্রগা তৌদ্রিব্রা হায়বা অদু কন্নানসু হায়বা ঙম্লোই। মরমদি থাইনগী ওইবা মচৎতা থাজবা অমদি হৌজিক্কী ওইবা মচৎতা থাজবা মীওই কাংলুপ কয়া ঙসিগী সমাজ অসিদা লৈরি। মখোয় মখোয়গী থাজবা মতুং ইন্না মখোয়না তান্ননিংবা ডাক্টর নত্রগা মায়বা মায়বী তান্নদুনা অনাবা অদুবু লায়েংনবা হোৎনরি।



অমরোমদা ফিল্ম অসিবু দিরেক্টর তৌরিবা জোন্সন ময়াংলম্বমনা ফিল্ম অসিদা মহাক্না প্রদক্সন দিজাইনর, দিরেক্টর, ষ্টোরি রাইটরদগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা কাষ্ট খরদসু মহাক মশামক্না এক্ট তৌদুনা মীয়ামগা নকশিন্ননবা হোৎনরি। মহাক্না তৌরিবা ট্রিটমেন্ট অসি লাল্লি হায়বগী ৱাফমদি নত্তে, অদুমওইনমক ফিল্ম অসিদা স্পিরিচুয়েল ওইবা মীওইশিংনা মীওই অমদা চঙলিবা স্পিরিট অদুবু তাম্থোক্লবা হোৎনবদা হোল্লিবুদ ফিল্মশিংদগী এদাপটেসন নত্রগা এক্সপায়ার তৌবা মানবা মওং কয়া অমা ফিল্ম অসিদা উবা ফংই। মসিনা তাকপদি মপাল লমগী ফিল্মদগী পুশিল্লকপা মানবা মওং খরা অসিদি মণিপুরী ফিল্মগী অচৌবা বোদি অমা ওইরিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা হিরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবা চুমগনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা চৎনবী অমদি কলচর কয়া অসিবু তুংওইনরগা মপাল লমগী ওইবা মওংদা ফিল্ম পুথোকসি হায়রগদি হাপচিনিংবা খুদিংমক পংহাপ্তা হাপচিনবা য়াগনি হায়বা তাই। হিরম অসিগী মতাংদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা খরা কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই।

ফিল্ম অসিদা সিনিমাতোগ্রাফর রাজকিষননা মহাক্না খঙজবা অমদি হৈজবা কয়া অদু পুথোক্তুনা ভিজ্যুলাইজ তৌনবা হোৎনৈ। থোইদোকপা চেকশিনদবা মতাং কয়া থেংনদে। অয়াম্বা মতমদা মহাক্কী ফ্রেমগী মনুংদা লৈদুনা অয়েংবশিংদা নীংথিনা উহন্নবা হোৎনখি। ফিল্ম অসিগী ইডিটর ওইরিবা অমদি ভিজ্যুল ইফেক্টকী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা রাজকিষন ময়াংলম্বমগী অচৌবা খুৎথাগী নীংথিবা কয়া অদু ফংবগা লোয়ননা ম্যুজিক্কী সুপরভাইজর ওইরিবা রামেশ আর কেনসু ফিল্ম অসিদা তোঙানবা মহাও অমা পীনবা হোৎনৈ। মসিগী মথক্তা মহাক্না পীরিবা সাউন অদুনা ফিল্ম য়েংলিবা মীয়াম্বু কিহনবা, পাখৎহনবা অমদি চিংনহনবা কয়া অসি সাউন ইফেক্টকী মতেংনা নীংথিনা পীবা ঙম্মী হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিগী কষ্টম দিজাইনর অমদি মেক অপ পুরিবা গ্যাননগী নীংথিবা কয়াসু উবা ফংই। ফিল্ম অসিদা মেইন রোল লৌরিবা সোমা লাইশ্রম্না নেস্লেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্মগী হিদান্নবদা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী মনা ফংলকখ্রবী তোম্থোইবু কমপিট তৌদুনা এক্ট তৌবা সিন কয়া অমসু ফিল্ম অসিদা উবা ফংই।

ফিল্ম অসিদা শকক্তম লাংখিবশিং অদুদি বোনি, তোম্থোই, সোমা, মেম্মা, সিমা, জোন্সন, সিবরাজ, কবিরাজ, বিদ্যাবতি, সিলা, সুভাসিনি, জোসিমা, সান্তি, নলিনি, বিরেন, নরমদা, দয়ামোয়নচিংবনি।

ফিল্ম অসিগী ওইবা অখন্নবা ভাবক লৈগনি। বোক্স ওফিস্তা মেগা হিট ওইবা ওইদবা হায়বা অসি মীয়ামগী অপাম্বনি অদুমওইনমক হোরর ফিল্ম পামজবা মীওই কয়া অমনা য়েংনবগী ঙাইদুনা লৈরবা হোরর পিকচর অমনি হায়বা য়াই।




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*